# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি- কৌত্রুক্তা শারিবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি অসি চাদা ৯৫.৫ লোইশিল্লে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগনা ঙরাং উখ্রুল জিলাগী সিহাই চীংশাং পরিংদা লম একর ৭০ দা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মালেসিয়াদা লৈরিবা ভারত মচাশিং অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমদি তেংবাংমিন্নবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

------

সনাজাউবা (এল)ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি- কৌত্রুক্তা শারিবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি অসি চাদা ৯৫.৫ লোইশিল্লে। হৌজিক খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা কেম্পস হাংলিবা অসি কৌত্রুক্তা হোংদোকপগী মতমদি লেপত্রি । হৌজিক ফাওবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি অসি শাবদা কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি ৫৬১ লাখ ৯২ হেন্না কাইথোকখ্রে।

ব্রাফম অসি মণিপুরগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা রাজ্য সভাদা হংবা অনষ্টার ক্বেসনগী অমগী পাউখুম ওইনা মন্ত্রিনা পীরকখিবনি।

অমরোমদা, স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি অসিগী ২০২৫-২৬ কা একাদমিক সেসন অসিদা শান্ন-খোৎনবগী তোঙান তোঙানবা গ্রেজ্‌য়েট অমসুং পোষ্ট গ্রেজ্‌য়েট কোর্স ৬ তা পুন্না মহৈরোই ১৮০ লৌনবা থৌরাং তৌরি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা তেংনৌপল জিলাগী ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী বোর্দর পিল্লর ৭২ অমসুং ৭৩ অনিগী মরক্তা লৈবা য়াঙৌবুংদগী মোর্তার অমসুং আই.ই.দি অনি ফংলে। তুংদা, বোম দিস্পোজল স্কৱাদনা মফম অদুমক্তদা অশোই অঙাম য়াওহন্দনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙরাং উখ্রুল জিলাগী উখ্রুল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সিহাই চীংশাং পরিংদা আইন কায়না লম একর ৭০ দা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগনা পুন্না চৎখিবা জোইন্ট ওপরেসন অদুদা পোপ্পি পাম্বী থাবদা শিজিন্নরম্বা খাঙপোশঙ মরিসু মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা নমদুনা শেল খায়বা অমদি তোঙান তোঙানবা ক্রাইমশিংদা চেন্নবা মীওই কয়া অমসু ফাগৎপা ঙমলে। ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংবা নান্দৈবম লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো)গী এক্তিভ কাদর অমা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা শেঞ্জম খুনৌ ময়াই লৈকাইদগীসু প্রিপাক্কী এক্তিভ কাদর অমা অমসুং ককচিং জিলাগী পল্লেল মনিং লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী এক্তিভ কাদর অমনি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতসু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কাঞ্চিপুর এরিয়াদা য়ু.এন.এল.এফ (কে)গী সেল্ফ ষ্টাইল লেফটনেন্ট অমসু ফারে হায়রি।

স্কুল (এল)ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ ইজ্‌কেসন (এস)না শিন্দুনা রাজ্য থাক্কী স্কুল স্পোর্টস মিট ২০২৬ ঙসিদগগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী মেইন ষ্টেদিয়মদা হোৌরগনি। থৌরম অদুদা ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এন.জি. ভোগেন্দ্র মৈতৈনা নিংথিজরবা মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্টশিংগী সলামি ওক্কনি।

কোইলাঃ মেঘালয়গী থাংসকো লমদমগী মীনশিনগটতা আইন কায়না কোইলা খোনি তৌবদা পোখায়বগী থৌদোক থোকপদা শিখিবা মীগী মশিং ২৭ শুখ্রে। হৌজিকসু এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ, স্পেসিয়েল রেস্ক্যু টিম, পুলিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মখা তানা মফম অসিদা মী কনবা অমসুং থিবগী থবক চথুরি। থৌদোক অসি হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা থোকখিবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মালেসিয়াদা লৈরিবা ভারত মচাশিং অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমদি তেংবাংমিন্নবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ৱাফম অসি নুমিৎ নিনিগী মালেসিয়াগী খোঙচৎতা লৈরিবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ক্বালা লম্পুরদা পাঙথোকপা মহাকপু ওকপগী থৌরম সেলামট দতাং মোদিজিদা ফোংদোকখিবনি। মালেমসিয়াদা লৈবা ভারত মচা লিশিং ১৫ হেনবনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়- ২০২৪ দা লৈবাক অনিগী মরী অসি কমপ্রিহেন্সিভ ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপকী থাক্তা পুখৎপা ঙমলে। ঙসিদি লৈবাক অনিগী মরী অসি ইম্পেক্ট হায়বদি ইন্দিয়া-মালেসিয়া পার্টনরসিপ ফোর এদভান্সিং কল্লেক্তিভ ট্রান্সফোর্মেসন অসিনা ওইরি। মালেসিয়াদা ঙসি ভারতকী আই.টি কম্পনি ১০০ হেনবনা মথৌ তৌদুনা মীওই কয়াদা থবক পীরি।

শ্রী মোদিনা ভারতকী দিজিতেল পেমেন্ট প্লেটফোর্ম য়ু.পি.আই অসি মালেসিয়াদা অথুবা মতমদা হৌদোক্লগনি হায়নসু ফোংদোকখি। ক্বালা লম্পুরগী একাদমি আর্জ্না সুকমাগী আর্টিষ্টশিংনা রামায়নদা য়ুম্ফম ওইবা পপেট সো তিতা শ্রীরামা অসি য়েংলবা মতুং প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা অঙনবা মতমদগী লৈরক্লবা কলা সংস্কৃতি অদুবু শিংথাখি।

রাজিভ ঃ কেন্দ্রগী ফিসরিজ, এনিমেল হজবেন্দরি অমসুং দেরিয়িংগী মন্ত্রি রাজিভ রঞ্জন সিংহনা হায়রি- ইন্দিয়া-য়ু.এস ত্রেদ এগ্রিমেন্ট অসি ভারতকী লৌমীশিংগী স্বার্থ অমত্তা কায়দনবা য়েংলগা য়ান্নখিবনি। মসি লৈবাক পুন্বদা মীয়ামা তরামা ওকই।

ৱাফম অসি কুরুক্ষেত্রদা নুমিৎ হুমি চুপা চত্থগদবা ৪১ শুবা লাইভষ্টোক ফিয়ারগী থৌরম অমদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক পাঙথোক্লিবা লাইভষ্টোক ফিয়ার অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী শা অমদি লৌউ শিংউবদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং উৎলি। মকোক মথং তারবা লৌমীশিংদসু শেলগী মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎকনি। অসিগুম্বা মেলা অসিনা লৌমীশিংনা শেন্থোক লৈনা লৌউ শিংউ অমদি শা-ষন লোইবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

ত্রেদ ঃ কেন্দ্রগী কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়রি- ইন্দিয়া-য়ু.এস ইন্টরিম ত্রেদ এগ্রিমেন্টকী মখাদা ভারত্তগী থাদোকপা পোৎলমশিংদা লৌরম্বা রেসিপ্রোকেল তারিফ চাদা ৫০ ওইরম্বা অদু চাদা ১৮ দা হন্থরে।

নিউ দিল্লি ইন্দিয়া-য়ু.এসকী অপুনবা ৱারোলগী মতাংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গোয়লনা হায়- ভারতকা য়ুমলোন্নরিবা লৈবাক চাইনা, পাকিস্তান, বঙ্গলাদেশ অমসুং ভিয়েটনাম লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা ভারতকী তারিফ অসি হন্থরি। মহাকা হায়- য়ান্না ৱারোল অসিনা লৌউ শিংউ অমসুং দেরি সেক্তর, মরু মরাং, চা, কোফি, কেসুনট, চেসনট, এভোকেদো, লফোই, হৈনৌ, কিৱি অমসুং অৱাথবীদা জিরো দ্যুতি লৌরগনি। মন্ত্রিনা হায়- য়ান্না ৱারোল অসি লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমকা তরামা ওক্লি। শ্রী গোয়লনা হায়- ভারত অমসুং য়ু.এসকী বাইলেটরেল ত্রেদ অসি লাক্লিবা মতম খরা অসিদা লুপা কোতি লাখ ৪৫ য়ৌনবা সরকারনা পান্দম থল্লি।

মাওইষ্ট ঃ ছত্তিসগরগী বাস্তর দিভিজনগী বিজাপুর অমসুং সুখমা জিলাদা ঙরাং মাওইষ্ট ৫১ সরকারদা চংজরকখ্রে। হায়রিবা মাওইষ্টশিং অসি ফাবা নত্রগা পাউ পীবা ঙম্বদা লুপা কোতি ১ লাখ ৬১ মনা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীওইশিংনি। বিজাপুর জিলাদা মাওইষ্ট ৩০ হিংশা থাদোক্তুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চংনবা ফিরেপ লৌখি। চংজরকখ্রবশিংগী মনুংদা নুপী মাওইষ্ট ২০ য়াওরি। মখোয়শিং অসি ফাবদা লুপা লাখ ৮৫ পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

অমরোমদা, শুখমা জিলাদা মাওইষ্ট ২১ চংজরকখ্রে। মখোয়শিং অসি ফাবদা লুপা লাখ ৭৬ পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবশিংনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

তদুবী এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী বাই ইলেক্সন পাঙথোকবা থবক পায়খৎপা হৌরে অমসুং লমশাংগী থোং মপুং ফানা শেমজিন শাজিনবা লোইদ্রিবা ফাওবা ঙসিদগী হেভি ভেহিকলশিং চৎপা থিংলগনি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

আই.দি.পিশিংনা মুখ্য মন্ত্রিদা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিনহনবা অমদি খুন্দা লৈতাহন্নবা তকশিনখ্রে অমসুং দি.সিনা চুরাচান্দপুর জিলাদা সম্পুরনাতা অভিয়ান টু পোইন্ট-ও হৌদোকখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লৈঙাক শেন্দ্বদা শরুক য়াখিবদু সরেন্দর তোবা নত্তে, ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা য়াওখিবনি, নোংমৈনা ৱারোইশিন পুরক্কদবা নত্তে, ৱারী শান্নরগা পুরক্কদবনি হায়বা এম.এল.এ- ঙুরসাংলুর সনাতেগী ৱাফম অমসুং কনাগুম্বা মীওই অমত্তা মখুৎতা লো পায়শিনদুনাা তৌনিংবতা তৌবা, খুৎতা আইন পায়শিনবা য়াফম থোক্তে হায়বা ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

সি.এমনা চেয়ার লৌদুনা ষ্টেট অসিদা ইন্তিগ্রেতেদ ফার্মিং স্কিম ফগৎহন্নবা মীফম পাঙথোকখ্রে অমসুং ই.সি.আইনা তদুবী এ.সিগী এস.এস.আর পাঙথোকবা খঙহনখ্রে। অরোইবা পাব্লিকেসন চহি অসিগী মার্চ ১০ দা ফোংগদৌরি হায়বা পাউশিং অসিনা সনালৈবাক্কী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

লনাইগী নুংঙাইনদবশিংবু কাংলুপকী ইরাং ওন্থোকপা অসি অরানবনি হায়বা দিপ্যুতি সি.এম. লোসি দিখোগী ৱাফম অমসুং নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ময়াই লম্বী শেন্বা হৌরগনি হায়বা পাউশিংনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনদা লুপা লাখ ৮৪ রোমগী য়ুঙাং মাংহন তাকহনখ্রে অমসুং ৱাই. খেমচান্দনা লুচিংবা পোপুলর গভর্নমেন্ট- মিনিষ্ট্রি চাউথোক্ত্রি কনানা করি পায়গনি খঙদ্রি হায়বা পাডশিংনা অহানবাা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুরদা ইং ২০২৩ দগী মীয়ামা লিগেল সার্ভিস ওথোরিতিগী মতেং লৌবা খঙহেন হেনগৎলকখি হায়না পাউ অমা পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদা নুমিৎ নিনি ইরাং থোক্লুরবা মতুং তপা তপা শান্তি হঞ্জিল্লক্লি হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------